# টি ঐচ বৃন্দানা ভোট কারবদি - ১

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী মার্চকী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা য়াইস্কুল এ সীদা মীরেপ অমা ওইনা চোঙথোরক্লিবা টি ঐচ বৃন্দানা করিগুম্বা মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি য়াইস্কুল এ সীদা দেমোক্রেসিগী চৎনবা-পথাপ ইন্দুনা মীখল শেংনা, ত্রান্সপরেন্ট ওইনা পাঙথোক্লে হায়না লৌবা য়ারে। মসিগী মথক্তা, য়াইস্কুল এ সীগী মীচম মীয়াম য়াম্না লৈবাক মচা তাবা, ৱাখল চুম্না খনবা ঙম্বা অমদি য়াইস্কুল এ সীগীখক খনবা নত্তনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুর পূম্বগী ওইনা খনবা ঙম্বা ইরৈচাশিংনি হায়না লৌবা য়ারে। লাইবক থীবদগী করিগুম্বা পামদবা থৌওং শীজিন্নদুনা টি ঐচ বৃন্দানা মীখল অসিদা ভোট কাবা ঙমহৌদ্রবা, য়াইস্কুল এ সীসু অতোপ্পা মফমগুম মীখলদা অরানবা থৌওং শীজিন্নে অমদি মীচম মীয়ামসু অরানবা থৌওংশিং অদুবু ইন্দুনা চৎলি, ৱাখল তাবা ৱাৎলি হায়না শোয়দনা হায়নখিগনি মণিপুরগী কাচিন কোয়া মফম খুদিংমক্তগী।

করিগীদমক ইরমদমগী মীয়াম্না অসিগুম্বা ৱাখল অসি য়াইস্কুল কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়ামদা খনখিগদৌরিবনো হায়রগদি টি ঐচ বৃন্দা করম্বা মীশকনো হায়বসি ভোট থাদবা য়ারবা ইরমদমগী মীপূম খুদিংমক্না খঙনবননি। টি ঐচ বৃন্দাবু মরু ওইনা মীয়াম্না লুচিংবা অমা ওইবগী মতিক ময়াই লৈবা, মরমদম্বু তশেং তশেংনা নুংশিবা, তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরবু কঞ্জনীংবনচিংবা ৱাখল্লোনশিং অসি মহাক্কী মফমদা লৈবা অসি উবদগীনি। পাল্লিবা লৈঙাকসিনা ৱার এগেনষ্ট দ্রগ হায়না মীদিয়াদদি পংলাউদা লাউবা, য়াম্না পিকপা শেনফম শীজিন্নদুনা দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা খোঙবী খোঙনাও খরা ফারগা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা লৈঙাকনি হায়না মীদিয়াদা পংলাউদা লাউথোকপা অদুগা তশেংনা য়েংলুরগনা শেনফম ক্রোর, ক্রোরদা চাউনা দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নে হায়দুনা টি ঐচ বৃন্দাগী কাঙবুনা ফাখিবা, মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবা কৈশুমশঙদা ফাওবা থম্লুরবা মীওই অমবু মরাল লৈতে হায়না থাদোক্লিবনি। লমসিদা ইরমদমগী নহারোলশিংবু কঞ্জনবা হোৎনরিবা অসিবু লৈঙাক্লা নৎত্রগা টি ঐচ বৃন্দারা হায়বসিদি মীয়াম্না তশেং তশেংনা উবীরবা, তাবীরবা অমদি খঙবীরবা ঙাক্তনি।

হান্নগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী এ দি সী ওইরম্বা মীওই অমবু টি ঐচ বৃন্দাগী টিমনা ফাদুনা মীওই অসি মরাল লৈ হায়দুনা জেলদা থম্লুরবা মতুংদা মরাল লৈরমদ্রে হায়দুনা লৈঙাক্না অমুক থাদোকখিবা মীশক অসিগী মতাংদনি লৈঙাক্কা টি ঐচ বৃন্দাগা কন্না কোর্টতা য়েৎনখিবগী ৱাথোকশিং ঙসিসু লোইশিন্দনা লৈরিবা মীয়াম্না হেন্না খঙবীরবা ৱাফমনি। লানফম অদুদা সিভিল অমদি পুলিস ওফিসর কয়া অমা চেন্নরিবা মীশক অদু দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নে খঙনা খঙনা লৈঙাক্কী মায়কৈদা লেপ্তুনা চুম্না চৎচবা, মথৌ চুম্না তৌজবা বৃন্দাবু মরাল শীখিবা ময়াম্না তাবী উবিখ্রে। অসিগুম্বা মথৌ চুম্না তৌজনীংবা, থম্মোয় শেংনা মরমদম্বু নুংশিজবা, ইরমদম কংলৈপাক অসি মুৎখিগদৌরব্রা হায়দুনা ৱাজবা লমদম অসিগী তাঙলবা মম্মোমলোই অসিনা মীখলদা য়াওদুনা মোৎলবা ইরমদমগী লৈঙাকলোল অসি শেমদোকসি, চুমথোকসি, ইরমদমগী নহারোলশিং ময়াই কাবা চিঙাক্কী ঈপাক্তগী কলহৌসি অমদি ইরমদম মণিপুর কলহৌসি হায়না থোরকপদি য়াইস্কুল এ সীগীখক নত্তনা মণিপুর পূম্বগী লাইবক ফবনি হায়না থমজগে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীহুৎ অমা ওইনা চোঙথোরকপা হায়বসি মীরেপ অদুগী এ সীখক খনবতা নত্তনা ইরমদম কংলৈবাক/মণিপুর পূম্ববু শেমগৎ শাগৎপদা, অফবা অহোংবা পুরকপদা অচৌবা শরুক য়াজগে হায়না চোঙথোরকপা মীওইশিং ওইগদবনি। মসিগী মথক্তা, মশা মশামকসু লাইরিক লাইশুগী মঙাল লৈগদবনি, অফবা, অচুম্বা ৱাখল খনবা ঙমগদবনি, অচুম্ববু থৌনা ফনা থেংনবা ঙম্বগী পাঙ্গলসু চেনগদবনি। লোয়ননা, মতৌ করম্না লৈঙাক্কনি হায়বগী খঙবা হৈবসু মথৌ তাই। লৈঙাক্কী লোশিং খঙদনা লৈঙাকপা ঙম্লোই। এক্টিভ সর্ভিসতা পুলিস ওফিসর অমা ওইনা থবক তৌরকপনা বৃন্দা এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি লোগী মতাংদসু য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা মীওইসু ওই। লোয়ননা অতোপ্পগা কনফিদেন্ট লৈনা ৱা ঙাঙথোক-ঙাঙশিন, ৱাহং পাউখুম ময়েক শেংনা পীবা ঙম্বা মীওই অমসু ওই। হায়রিবা মতিকশিং অসি বৃন্দাগী মফমদা লোইনা য়াওবনা মহাক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীরেপ অমা ওইনা চোঙথোরকপদা মতিক য়াম্না চাবা মীরেপ অমনি হায়না লৌনৈ মীয়াম্না, লোয়ননা অফবা লুচিংবা অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ ঐহাক্কী ৱাখল্লোন্দা। মসিমক মীপূম খুদিংমক্না লৌরমগনি খল্লি। ঐখোয় মীচম মীয়ামতা নত্তনা মহাক্কী মায়োক্তা লম্বা তৌগদৌরিবা য়াইস্কুল এ সীগী কেন্দিদেটশিং অমদি মণিপুরগী লুচিংবা খুদিংমক্কসু খল্লমগনি খল্লি।

মতিক ময়াই কয়া অমা চেন্দুনা মতিক চাবা মীরেপ অমা ওইদুনসু বৃন্দানা মীখলসিদা ইচম চম্না মীখল থেংনবা ঙমগনি হায়বদি লানগনি, মরু ওইনা দেমোক্রেসিগী চৎনবা-পথাপ্পু ইন্দুনা চত্তবা মনি, মসল অমদি গন পৱার শীজিন্নদুনা মীখল পাঙথোকপা ইন্দিয়া অমদি ইরমদম মণিপুরদদি। মসিনি য়াম্না লুরিবা ফীভমদি। মতিক চাগেরা চারোইরা, মাগী মাগী মরী মতাগী, লৈকায়গী, পার্টিগী মীরেপ ওইরবদি, শেলবু পায়রবদি ঐখোয়দি ভোট থাদরগে হায়বগী ৱাখল্লোন লৈনবনা বৃন্দানা ফনা মতিক চারবসু মীচম মীয়াম কয়া অমদি মতিক অদুক চাদবা অতোপ্পা মীরেপ্তা ভোট থাদখিবসু য়াই। খুন্নাই অসিগী অমদি হৌরক্লিবা ইচা ইশুশিং অসিগী খন্দুনা য়াইস্কুল এ সীগী মীয়াম্না বৃন্দাবু শৌগৎফম থোক্তব্রা। বৃন্দাগী মতিক ময়াই কয়া অসি উবদগী মহাক্কী লম্বী খুদিংমক্তা অকায়বা, অয়েৎপা পীবা ঐখোয় খুদিংমক্না উরবা, তারবা ঙাক্তনি। বৃন্দাবু মায়থীবা পীনবা ফত্তবা, অরানবা থৌওং কয়া শীজিন্নদুনা মহাকপু মায়থীবা পীনবা হোৎনরক্কনি। অসিগুম্বা পামদবা থৌওং কয়া শীজিন্নদুনা মীখল পাঙথোকপা অমদি পাল্লি পাল্লিবা লৈঙাক অদুনা নম্ফু হাফুদা মীখল পাঙথোকপা হায়বসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা মতম শাংনা চথুদুনা লাকপা হৌনবী অমনি। মরম অসিনা মীচম মীয়াম্না পাজবা টি ঐচ বৃন্দাগুম্বা অফবা লুচিংবা ওইরক্কদবা মীরেপশিংদি অয়াম্বনা মীখলদা মায় পাকপা ঙমদ্রিবনি।

অসিগুম্বা পামদবা থৌওংশিং অসি থোকহল্লোইসি অমদি ঐখোয় মীচম মীয়াম্না পামজবা অফবা লুচিংবা ওইরক্কদবা মীরেপশিং মীখলদা মায় পাকহনসি হায়রবদি য়াইস্কুল এ সীগী মীচম মীয়ামগী খূত্তা লৈরে। লোয়ননা মীখল চুম্না পাঙথোক্লবা য়াইস্কুল এ সীগী মীচম মীয়াম্না ঙাক শেন্দুনা মীৎ-না শিংনা লৈবা য়াম্না মথৌ তাই। লোয়ননা মীদিয়াগী পর্সনেলশিংদা মীখলগী লাইভ টেলিকাষ্ট থাদোক্তুনা য়াম্না ত্রান্সপরেন্ট ওইনা মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি। মীখলদা ত্রান্সপরেন্সি লৈত্রবা, মসল অমদি গন পৱার শীজিন্নবা য়াহল্লবা, বৃন্দা শোয়দনা মায়থীবা নংগনি হায়বসিমা মহাক্কী খনবীবা ইরৈচাশিং অমদি য়াইস্কুল এ সীগী ইরৈচা খুদিংমক্না কাউফদে। ●

# চথুরক্লিবা পুন্সি খোঙচৎতা (আই সী সী এ এফ - মণিপুর, চেপ্টর -২)

- ডা. এম নরা -

মণিপুরদা অহানবা ওইনা চাওনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল কলচরেল কনফরেন্স ওফ ফেষ্টিবেল (আই সী সী এ এফ, কুমজা ১৯৯১গী নবেম্বর ২৬তগী দিসেম্বর ২ ফাওবা) য়াম্না মায় পাকখিবা ইভেন্ট অমনি। মমাঙগী আর্টিকলদা পাউদমজখ্রে। ৱাৎহৌবা শরুক খরদংগা অমুক শমথজবনি। মীয়াম্না পূক্লিং পেন্নখিবা কলচরেল প্রোগ্রাম খরদি জপানিজ ম্যুজিসিয়ন অমনা মহাক্কী ওর্গান্দা জপানিজ লোলদা শকপা ঈশৈ, লোয়ননা ৱেষ্টর্ন ম্যুজিক অমসুং অরোইবদা মণিপুরগী কবুই লোলদা শকপা য়াম্না তান নুংঙাইবা জগোয়গী ঈশৈ "হে শিম লাম, লুঙাই তুথৌ লো, শিম কুয়ে মকা গাই, গাইলো কুমৈ নাইং অমদা, হে শিম লাম, লুঙাই তথৌ লো' অসি মহাক্কী ওর্গান অদুদা খোঙলকপদা ভাবক্কী অহৌবা খূবাক! এম য়ুগী সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমনি, ঙসি ফাওবা নীংশিংনরি।

মথংদা মালেমগী মফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা কথক্কী জগোয় উৎলুরবী শক্লাইরবী দান্সর অনী মচিন মনাওনি, ফাওরবা কথক্কী গুরু মহারাজ জিতেন্দ্রগী সেবক, নল্লিনী অমসুং কমল্লিনীগী মিৎফম হোংদনা য়েংনখিবা কথক্কী ফজরবা পর্ফোর্মেন্স - কাউবা ঙম্নদে। থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়াম্না পেন্নখিবা থৌরম অমদি বেঙ্গলগী ফাওরবী রেভল্যুস্নরি সিঙ্গর, শৈশকপী, দিপা মুখোপাধ্যায়গী তোঙান তোঙানবা লোলদা শকপা রেভল্যুস্নরি অমসুং প্রোগ্রেসিভ ওইবা ঈশৈশিংনি। ইংলিস, জর্মনি, রসিয়ান, বেঙ্গলি অমদি মণিপুরীনি। মহাক কৈদৌনুংদা নুংশি নুংওনগী ঈশৈ অমত্তা শক্তে হায়। ৱর্ল্ড য়ুথ ফেষ্টিবেলশিং মদুদি বর্লিন (জর্মনি), পিওংয়াং (নোর্থ কোরিয়া) অমদি হৱানা (ক্যুবা) দা চহী ৪/৫ খুদিং পাঙথোকপা অচৌবা ফেষ্টিবেলশিংদা অখন্নবা চেবাউ ফংদুনা শরুক য়ারুরবী শক্লাইরবী শৈশকপী অমনি। আই সী সী এ এফ মণিপুরগী থৌরম অদুদা ঐহাক্না মহাকপু য়াওবীনবা চেবাউ পীজরুই, হরাও হরাও য়াবীরক্তুনা মহাক্কী কোলকটা য়ুথ ক্যোয়ারগী ম্যুজিসিয়ন মরিগা লোয়ননা ফেষ্টিবেলদুদা শরুক য়াবীখি। দিপা দিদি অসি মপা মপু হাক্তক্তগী খরা লিংবা অমসুং মহে মশীন নীংথিনা হৈরবী, ইংরাজি লোলগী ওজা অমনি। মমিং চৎলবা সেন্ট থোমাস হায়র সেকেন্দরি স্কুল, কিদরপুর কোলকটাগী ওজানি। নুমিৎ অদুদা মহাক্কী অচৌবা মায় পাকখিবা খুদোল অমদি অরোইবদা শকখিবা মণিপুরী ঈশৈ অদুনি। তোঙান তোঙানবা লোলদা মশানা ইংরাজিদা শন্দোক্লা ব্যাখা তৌদুনা পীরিবা পাউজেল মচা তানা শন্দোক্লা মীয়ামদা খঙহল্লগা শকপা ঈশৈশিং লোয়নমক ভাবক্লা নুংঙাইনা তাই অমসুং এপ্রিসিএট তৌবীখি। অরোইবগী মহাক্কী মণিপুরী ঈশৈ খুদোলসিমদি মহাক য়াম্না চেকশিন্না হোৎনবগী মমি তাই। মহাক্লা অসুম্না সভাদা হঙ্গৎচৈ - "ঐহাক্লা মণিপুরদা চৎতুনা শান্তিগী মীফম অমসুং কলচরগী ফেষ্টিবেল অসি য়াওবদা মণিপুরগী মীয়ামদা অখন্নবা খুদোল ঈশৈ অমতং তমজনবা খনবদা মহাক্কী সেবক মীতৈ নুপীমচা অমদগী তম্বনি হায়। ৱাহৈ, খোম্থোক, তাল শৈশক কায়দনবা কয়ারক হন্না হোৎনরবা মতুংদা ঙসি মণিপুরগী অমদি মপান লমগী দেলিগেট পূন্নমক্কী মাঙদা খুদোল তৌজবসিদা অশোয় অঙাম করিগুম্বদা য়াওরক্লবসু পূন্নমক্লা থৌজালগা লোয়ননা ঙাকপীয়ু" হায়দুনা খুরুমজখি। মহাক্কী নীংথিনা লৈতেংলবা ইংরাজিগী ৱাহৈশিং অদু তাবমক্তদা মীয়ামদি অদুমক পেনবা হৌখ্রে।

অসুম্না শক্লকখি :-

"অনৌবা য়ুগকী অনৌবা আশা পুদুনা
লাক্লো নহারোল, লাক্লো নহারোল
শেন্নসি অনৌবা সংসার"। ঈশৈসি শক্লকপদা ভাবক্তগী খুরকখিবা খূবাক্কী মখোল অসিসু নাকোং অসিদা খোন্থাং য়৾েনা তাবগুম তৌরি। মরকসিদা দিপা দিদিনা ইংরাজিদা অমুকসু হন্দোক্তুনা নন মণিপুরী ওদিএন্সকীদমক্তা ঈশৈ ময়েক্কী ৱাহন্থোক খঙহন্নবা হোৎনরি।

"অরিবা ৱাখল, অমনবা ফিজোল চাকখ্রসনু, চাকখ্রসনু মতমগী লাম্মৈনা অশিবা ইতিহাসকী চিতাগা লোয়ননা" মতাং অসিদদি ভাবক পূন্নমক লোইনা লেপখৎতুনা ঈশৈ শকপা অদুদা য়াওশিল্লকখি অমদি খূবাক খুদুনা ঐখোয় পূন্নমক শরুক য়ামিন্নখি।

"অরিবা মরূদগী অনৌবা ময়োল চোংলকপা,
বসন্ত খুদিংদা মালেম নৌনা মালহৌনবা,
মপুগী য়াথংনি তাইবঙগী পথাপনি,
অনৌবা য়ুগকী অনৌবা আশা পুদুনা
লাক্লো নহারোল, শেন্নসি অনৌবা সংসার"। ঈশৈসিগী নুংগী ৱাহন্থোক অমসুং অশেংবা ৱাহন্থোক মপূং ফানা তিল্লিবা ভাবক পূন্নমক মণিপুরীশিংদা নত্তনা মীরৈবাক্তগী লাকপীরিবা পূন্নমক অমসুং ৱর্ল্ড পিছ কাউন্সিল অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিংনা তশেংনা ৱিটনেস ওইদুনা তাবীখ্রবা ঈশৈসিগী ভেল্যু অঙকপনি হায়জনীংই। শান্তিগীদমক কলচর হায়বসিমক ময়েক শেংনা উৎপা ঙমখিবা ফেষ্টিবেল অমনি।

মথংগী নুমিৎতা আর্টিষ্টশিং অমসুং মপান লমগী দেলিগেটশিং লোয়ননা মোইরাং অমসুং সেন্দ্রা য়েংবা চৎপগী লম্বীদা বিষ্ণুপুরগী লৌকোয় পাৎতা ব্রেকফাষ্ট চানবা শিনখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কন্মিটিনা য়াম্না ফজনা মথেল লুকোই শেমদুনা নাৎকী চৎনবী মওংদা পুন্সিগী কাউরোইদবা ব্রেকফাষ্ট পীজনবা শিল্লমই। ব্রেকফাষ্ট চাদ্রিঙৈদা ঙাইহাক্তং নুংঙাইনবা ইন্টরটেনমেন্টকী প্রোগ্রাম মচা অমসু শিল্লমই - মদুদি পোল্লকপদগী উবগী শক্তি ৱাৎলবা নিংথৌখোংদগী শৈশকপা সিলোৎ কুমার অমসুং কৈনৌদগী তল্লা য়ৈবা লোখোন অনীনা পূন্না খুদোল তমদুনা মহমদ রাফিগী শৈশক্তা মণিপুরী ত্রান্সলেসন্দা 'মধুবন্ন মেরাধিক্কা নাচেরে" হায়বা ঈশৈসি শক্লকপদা ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওরিবা মীয়াম্না শকখঙলবা জগোয়গী ক্রিটিক সুনিল কোথারিনা য়াম্না হৌনা লাউরকখি - নল্লিনী কমল্লিনী! কৈদৌরি নখোয় ? খুদক্তা মচিন মনাও অনীসি মফি চেৎনা শেৎচিল্লগা রাধা কৃষ্ণগী রুপ্তা কথক্কী জগোয় তান চানা শারকখি। ভাবক পূন্নমক অঙকপগা লোয়ননা মিৎফম হোংদনা য়েংনখি। রিহার্সেল অমুক্তফাওবা তৌদনা পাঙথোকখিবা খুদক্কী ওইবা পর্ফোর্মেন্স আর্টিষ্টশিংগী লোয়নজরকপা গুণনি শোন্নখি। অশেংবা কলচরগী ফেষ্টিবেল হায়বদু মসিনিদনা হায়নবীখি।

মথংগী নুমিৎতা অরোইবা ওইনা ৱাংজিংগী কোদোমপোকপী গ্রাউন্দদা ইন্টরনেসনল পোলোগী এগজিবিসন মেটচ অমা প্লেয়রশিং য়ানশিন্নরগা শান্নহনখি। নুমিৎতুগী তিনখিবা মীয়ামদু পোলোগী ইতিহাসতা অনৌবা রেকোর্দ ওইখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিং অমদি অতৈ খুঙ্গংগী মীওইশিং অহানবা থোকপা থৌদোক ওইবগা মায়কৈ কয়াদগী লাক্লখিবা, অঙকপগী মশক ওইখি। বৃটিশ টিমগী কেপ্তেন, জিম টাইগরনা শান্নবা লোইরকপদা ঐঙোন্দা চঙশিল্লগা খূৎ শোক্লে অদুগা হায়রকখি - "Congratulation for creating a New World Record" "অনৌবা মালেমগী রেকোর্দ অমা শেম্বগীদমক্তা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি"। ঐহাক ঙাইহাক্তংদি মহাক্লা হায়রিবদু ৱাহন্থোক লৌশিনবা ঙমখিদে, হংখি মঙোন্দা "What do you mean by New World Record"?

মহাক্লা ভাবকশিংদা মখূৎ থিল্লদুনা হায়রকখি - "Such a big crowd, hundred thousands people! Never we have seen anywhere. We'll accept that Manipur is the Birth place of Polo". অসুক য়াম্বা মীয়াম! মী লাখ অমা পোলো য়েংবা লাকপা! ঐখোয়না করিগুম্বা মতমদা অমুক্তা থেংনখিদ্রি। মণিপুরদগী পোলো হৌদোকখি হায়বসিদা ঐখোয় অমুক হন্না য়েৎখ্ররোই হায়রকখি"। কুমজা ১৯৯২গী গিনিস বুক ওফ ৱর্ল্ড রেকোর্দতা 'পোলোগী মশান্না অসি মণিপুরদগী শগোল কাংজৈ ওইনা শান্নবা হৌদোকখি" হায়না এন্ত্রি তৌরকখি।

ফেষ্টিবেল অসিগী অরোইবা শরুক্তা - মঙ্গোলিয়াগী কলচরেল টিম্না ইকোন কোন্না মণিপুর য়৾ৌরকখি। খুদোংচাদবা খরদগী টিম অসি কনফরেন্স মতুংদা থুংলখি। কনফরেন্সতদি দেল্লীদা লৈবা মঙ্গোলিয়া এম্বেসিগী দেপ্যুটি চীফ ওফ মিসন নুমিৎ মঙানী য়াওরমখি। মহাক ইম্ফাল মনুংদা লৈকায় কয়া চৎতুনা য়াম্না কন্না হীরম কয়াদা থিজিল্লমই। মহাক্লা হায় - মণিপুরগা মঙ্গোলিয়াগা মান্নবা হীরম ২২ লৈ। অকূপ্পা ৱারোলদি মঙ্গোলিয়াগী কোনুং উলান-বাতোরদা মখোয়গী লোলদা ফোঙখি।

কলচরেল গ্রুপ অসিদি অখন্নবা মণিপুর রাইফলসকী অহানবা বট্টালিয়নগী কম্পাউন্দদা ষ্টেজ শারগা ওপন ওইনা মীয়াম্বু নীং তম্না অমদি ফেমিলি য়াওনা নুংঙাইনবা শিন্দুনা মীয়াম হুপ্পা য়েংমিন্নবা য়াখ। নুংঙাইরবা আইটেম কয়ানি। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না মীয়াম্না পেন্নখবদি থৌরম অদু লোইশিনবা ওইনা ঐখোয়গী ভাবক্কা মঙ্গোলিয়াগী আর্টিষ্টশিংগা পূন্না থাবল চোঙমিন্নখিবদুনি।

মথংগী নুমিৎতা মোইরাংদা চৎতুনা লোক্তাক অমসুং সেন্দ্রাগী ফজবা য়েংলবা মতুংদা আই এন এগী হোলদা মখোয়গী পার্ফোর্মেন্স মোইরাং মায়কৈগী মীয়ামদা খুদোল তমখি। মখোয়না উৎখিবা আইটেমশিংগী মনুংদা আর্টিষ্ট অমা নুপীনি, মশাসি থুপচিল্লগা লিক্লিগী গ্লাস অচৌবা অমগী মনুংদা লৈবা উৎখি। মীরোল্লিঙৈদা অঙাংনা মমাগী গর্ভ মনুংদা লৈবগুম্না লেংদনা মিনট খরদং লৈখিবদু মীয়াম্না খ্বাইদগী ঙকখিবা আইটেম ওইখি। অসুম্না মণিপুরদা অহানবা ওইনা শিনখিবা আই সী সী এ এফ ১৯৯১ অচৌবা মায় পাকখিবা ইভেন্ট অমা ওইখি। থংনবা চহীদা ঐহাক অমেরিকাদা চৎলি। মদুদা দেল্লীদা লৈবা য়ু এন ওগী রিজনেল দাইরেক্টরনা ন্যুয়োর্কতা লৈবা য়ু এনগী হেদ ক্বার্টরদা পাউ পীদুনা ঐহাকপু য়ু এনগী এন জি ও সেক্সনগী চীফনা ওকপীখি। লোয়ননা মতমদু য়ু এনগী জেনরেল এসেমব্লিগী সেসন ফম্বা মতম ওইদুনা ঐহাকপু পুঙ্খাই অমগী মতম পীদুনা ভিজিটর ওইনা য়েংবা ফংহনখি। য়ু এনগী কলচর ফোর পিছকী চহী তরা চূপ্পা থৌরম পাঙথোকপগী য়াম্না মপূং ফানা অমসুং মায় পাক্লা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল কলচরেল কনফরেন্স অমসুং ফেষ্টিবেল "আই সী সী এ এফ মণিপুর ১৯৯১" মগুণ লৈবা থৌরম অমা ওইখি অমসুং ইন্টরনেসনল রেকগনিসন ফংখি। ●

# ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স মণিপুরদসু লিংগদবনি - ১

- থাংজম রঞ্জিৎ -

ইন্দিয়ান আর্মি অসি ইন্দিয়ানা নীং-খা তম্লবা মতুংদগী ইন্দিয়া ঙাক শেন্দুনা লৈরকপদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মসিগী য়ুনিট অমা হাংদোক্তুনা নোংম-নোংমগী অকিবগী মশক ওইনা হোংলক্লিবা, মাঙথরক্লিবা ঐখোয়গী ইনভাইরনমেন্ট (অকোয়বগী ফীভম) কন্নবা হোৎনবদসু শরুক চাউনা য়ারি। মখোয়না অশংবা মচুগী ফিজোল শেত্তুনা, হীরম কয়াদসু মহৌশাগী ওইবা পাম্বীশিং, অশংবা মনা-মশিং অমসুং উমং কন্নবগী থবক্তা মতেং চাউনা পাংদুনা লাক্লি। মসি 'মাদর আর্থ' মালেম ইমাবু নুংশিবগী খুদমনি।

ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স হায়বসি আর্মিগী এক্স-সর্ভিসমেনশিংতনা শেম্বা আর্মি য়ুনিট অমনি। মসি টেরিটোরিএল আর্মিনি হায়বদি আর্মিগী মথংদা সেকেন্দ দিফেন্স ফোর্স ওইনা লৈবনি। আর্মিশিংনা নোংমৈ অমসুং টেঙ্ক শীজিন্নদুনা লৈবাক ঙাকপগী থৌদাং লৌরম্লবা মতুংদা টেরিটোরিএল আর্মি ওইনা ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স কৌদুনা য়োৎপাক অমসুং করনি শীজিন্নদুনা অমুক হন্না লৈবাক্কী থৌদাং মখা তানা লৌরকপনি। লৈবাক্কী ফীভম চাদ্রবা, শোক্লবা মফমশিং - খোনি লৌথোকখ্রবা, উমং কোকখ্রবা অমদি চাং হন্থরক্লবা মফমশিংদা চংশিন্দুনা উমং শেমগৎতুনা অমুক হন্না মফমদুগী পুন্সিদা অফবা অওনবা, অশং অমান্তনা থনবা মফমশিং শেমগৎপনি। নোং তারমদবা মফম নোং তাহনবনি, অশাবা মফম উমং শেমগৎতুনা ঈংহনবনি, নুংশিৎকী খোংজেল কল্লম্বা মফম তপথহনবনি, লৈবাক লৈহাও চেন্থবা হন্থহনবনি, থিংবনি, মরু ওইনা। মপূং ফানা উমং য়োকখৎপগী থবক্তা মতেং পাংহন্নবগীদমক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নে, মতেং পাংনৈ।

ঈ টি এফ অসি খৃষ্ট চহী ১৯৮২গী দিসেম্বর ১দা, ১২৭শুবা ইনফেন্ট্রি বট্টালিয়ন ওফ গরৱাল রাইফলসতা টেরিটোরিএল আর্মি য়ুনিট লিংখৎতুনা ইন্দিয়াদা ইহান হান্না হৌদোকখি। মসি লিংখৎপগী মরু ওইবা পান্দমদি - ইকোলোজি ঙাক শেনবা (ঈশিং, নুংশিৎ হোংদনবা হোৎনবা) অমসুং পোত্থাখ্রবা সিফাইশিংবু অমুক হন্না থবক পীবনি। মসিগী ৱাখল্লোন অসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী শ্রীমতি ইন্দিরা গান্ধীদা ডা. নোরমেন বোরলোগ কৌবা অমেরিকাগী মীওই অমনা ৱাখল পীরম্বদগী ইন্দিয়াদা থবক ওইনা পায়খৎখিবনি। ইকোলোজিদা মাঙথরক্লিবশিং, অমাঙ অতা থোরক্লিবশিং অসি ৱার ফুটিংদা এক্স-সর্ভিসমেনশিং শীজিন্নদুনা থবক পাঙথোকহনগদবনি হায়বা মহাক্কী অকনবা পাউজেল অদুগী মহয়না ঈ টি এফশিং মায় পাক্লিবনি।

ঈ টি এফ অসি রেগুলর অমসুং টেরিটোরিএল আর্মি ওফিসরশিং পুন্দুনা শেম্বনি। অপূনবা ঈ টি এফ অমগী মশীং অসি অকক্লবা লৈতেং ১০০দগী ১৫০ ফাওবা অয়াম্বনা কম্পনি অমদা লৈনৈ। মখোয়শিং অসি অয়াম্বনা লৌউ-শিংউ তৌবা, উ-ৱা, হৈ-রা থাবা তৌবা হৈবা মরম্না মতম অয়াম্বদা মালেম ইমাগী মতম্বাক্তা থবক তৌই।

ঈ টি এফকী মায় পাককখিবা ৱারী কয়ামরুম লৈ, মখোয়শিংদুগী মনুংদা লৈবাকসিগী অহানবা ওইনা দেল্লীদা লৈবা সাউদর্ন রিজ হায়না খঙনবা (ভত্তি ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি লৈরিবা) মফম অসিদা মায় পাকপগী ৱারী ফোঙখি। হৌখিবা কুমজা ২০০০গী ওক্টোবর থাদগী ১৩২ ইনফেন্ট্রি বট্টালিয়ন (টি এ) রাজপুট রাইফলস (ঈ টি এফ) না মায় পাক্লা উমংগী লম খোপচিনবা, আইন্না য়াদবা মওংদা খনি তৌবা (মাইনিং তৌবা) অসিনচিংবা আইন কায়বা থবকশিং থিংবা ঙমখি। মসিদসু নত্তনা দেল্লী লৈঙাক্ল া দেরা মন্দিদা লৈবা গাউন সভা হায়না খঙনবা মফমদা উ-ৱা থাহন্দুনা মায় পাকহনখি, অশং অমান্না থনবা লমদম ওইহনখি। কুমজা ২০০১-২০০২দগী ২০০৯-২০১০ ফাওবগী মতমদা একর ৩৭৫৬তা উ-ৱা থাদুনা উমং শেমগৎখি।

অতোপ্পা আর্মিগী মায় পাকপগী ৱারী অমনা হৌজিক চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফকী জেনরেল বিপীন রাৱৎকী ৱাখল্লোন্দগী উত্তরখণ্ড অমসুং চাইনাগা তাইননা লৈবা মলেরিদা মগুণ লৈবা ৱালনট অমসুং চীলগোজা চারা আর্মিনা মতেং পাংহন্দুনা থাহনখি অমসুং মফম অদুদা লৈবা ফেমিলি কয়া থবক পীরমই অমসুং শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা মতেং পাংখিরমই। ●